# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JULY 18, 2019 PAGE 7



ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ খনবগী পেনেলদা লুচিংলিবা ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱার্ল্ড কপ ৱিন্নিং কেপ্টেন ওইরম্বা কপিল দেব



য়ু এসকী ন্যুপোর্টতা পাঙথোকপা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলসতা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রামকুমার

## অনিস ভনৱালনানা জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রে, ইন্দিয়ানা মেডল টেল্লিদা মাঙজিল থারি

*সুল, জুলাই ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

জর্মনিগী সিটি সুলদা চথরিবা জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর অনিস ভনৱালানা মিনট ২৫ গী রেপিদ পিষ্টোল কম্পিটিসনদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে, ইন্দিয়াগী মেডল টেল্লিদা পুন্না গোল্ড ৮ ফংলগা মাঙজিল থারি।

আই এস এস এফ জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা সুট্টর অনিস ভনৱালানা পোইন্ট ২৯ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভনৱালনানা পুন্না পোইন্ট ৫৮৪ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকখিবনি।



*মিটর ২৫ গী রেপিদ পিষ্টোলদা গোল্ড লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সুট্টর ভনৱালা*

নুপাগী মিটর ২৫ রেপিদ পিষ্টোল কম্পিটিসন অসিদা রুশিয়াগী সুট্টর ইগোর ইসমাকোভনা পোইন্ট ২৩ স্কোর তৌবা ঙমদুনা সিলভর মেডল লৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জর্মনিগী সুট্টর ফ্লোরিয়ান পিটরনা পোইন্ট ১৯ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী ফাইনেল রাউন্দদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভনৱালানা পোইন্ট ১৭ স্কোর তৌদুনা ৪শুবা পোজিসন তাখি। অদুগা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা সুট্টর অগনেয়া কোসিকনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৬শুবা পোজিসন তাহৌখি।

জর্মনিনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৮, সিলভর ৭ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেডল ১৮ ফংলগা মেডল টেল্লিগী মকোক্তা লৈরিবা ঙল্লি। চাইনানা গোল্ড মেডল ৬ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

## মানুয়েল ওনৱু বেঙ্গলুরু এফসিদা য়াওখ্রে

*বেঙ্গলুরু, জুলাই ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী ফোরৱার্দ শান্নরোই মানুয়েল ওনৱু ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফসিদা চহী অমা শান্নবগী সাইন তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা স্পেনগী ষ্ট্রাইকরনা বেঙ্গালুরু এফসিদা ঙসি শরুক য়াখিবা অসিনা ক্লব অসিদা য়াওখিবা ১৩শুবা স্পেনগী শান্নরোই ওইখ্রে।

মানুয়েল ওনৱুনা বেঙ্গালুরুদা নৌনা য়াওরকপা অসিনা ক্লব অসিদা অহেনবা পাঙ্গল লৈরগনি হায়না কোচ চার্লিস কুৱাদ্রোটনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। মহাক্কা মখা তানা হায়খিবদা মানুয়েল স্পেনগী তোঙান–তোঙানবা ক্লবশিংনা মতম কুইনা শান্নরক্কুনা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইনি।

মানুয়েল কুমজা ২০০৮ দগী ২০১৮ ফাওবদা স্পেনগী মরুওইবা ক্লব ৮ দা শান্নদুনা এক্সপরিয়েন্স য়াম্না লৈরবা শান্নরোইনি। মহাক লা লীগাকী সিজন অনীদা শরুক য়াখ্রে অদুগা ওসাসুনা ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়াদুনা সেগুন্দা দিভিজনদা মায় পাক্লা শান্নখ্রে।

## সিন্ধু অমদি স্রিকান্থ ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে





*জাকর্টা, জুলাই ১৭(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জাকর্টাদা চথরিবা য়ু এস দোল্লর ১,২৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অমদি কিদম্বী স্রিকান্থ নুপীগী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা জপানগী আয়া ওহোরিবু গেম অহুম চঙনা শান্নবা মতুং ১১–২১, ২১–১৫, ২১–১৫ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী এম ব্লিচফেল্টকা লম্বা তৌনরগনি। দেনমার্ককী ব্লিচফেল্টনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা হোং কোংগী য়িপ পি ৱাইবু ১৯–২১, ২১–১৫, ২১–১৭ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী চাইনাগী চেন য়ুফেনা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানিবু ষ্ট্রেট গেম ২১–৭, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ জপানগী সায়াকা টাকাহসিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী নোজোমী ওকুহারাসু অহানবা রাউন্দদা হোং কোংগী দেংবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৩, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

৬শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফেবু ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই চেন এক্স এক্সপু গেম অহুম চঙনা শান্নবা মতুং ২১–১৩, ১৩–২১, ২১–১৭ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৪, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা হোং কোংগী শান্নরোই ঙা কা লোং এঙ্গসকা শান্নরগনি।

হোং কোংগী শান্নরোই ঙা কা লোং এঙ্গসনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোই ব্রাইস লেভরদেজবু ২১–১৩, ২১–৯ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথ ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা হোং কোংগী ৱোং ৱৈ কিগী মখূত্তা গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৫–২১, ২১–১৩, ১০–২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই এচ এস প্রনোইসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবা চাইনাগী সি য়ুক্কীগী মখূত্তা গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৯, ১৮–২১, ২০–২২ দা মায়থিহৌদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

চাইনাগী শান্নরোই চেন লোংনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টোবু গেম অহুম চঙনা শান্নবা মতুং ২২–২০, ১৪–২১, ২১–১৭ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী লি জেট জেগা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়া এ মায় পাকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট এ টিম অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজগী ক্রিকেট এ টিম্না ঙসি শান্নখিবা ৱান দে মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ১৪৮ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ ৩–০ দা মাঙজিল থাখ্রে।

অনওপিসিয়েল ওইবা সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচকী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২৯৫ লৌখি।

ইন্দিয়াগী বেট্টিংদা মনিস পান্দেনা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা বোল ৮৭ দা রন ১০০ লৌখি। টিমমেট সুবমান গিলসু বোল ৮১ দা রন ৭৭ লৌরমখি। স্রিয়াস আয়রসু বোল ৬৯ দা রন ৪৭ লৌরমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্লবগী রন ২৯৬ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৩৫শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইদুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ১৪৮ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেট্টিংদা কিমো পোলনা রন ৩৪ লৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা ক্রুনাল অমদি হনুমান ভিহারিনা মথংশিংনা বেটসমেন ৫ অমদি ৪ আওট তাহনবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর দিপীকা কুমারীনা টৌকিও ওলিম্পিক্স টেষ্ট ইভেন্টতা সিলভর মেডল লৌখ্রে

*টৌকিও, জুলাই ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর দিপীকা কুমারীনা জপানগী কোনুং টৌকিওদা পাঙথোকখিবা টৌকিও ওলিম্পিক্স টেষ্ট ইভেন্টতা সিলভর মেডল লৌখ্রে।

জপানদা চথরিবা টৌকিও ওলিম্পিক্স টেষ্ট ইভেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী ফিল্ড ইন্দিভিজুয়েল আর্চরিগী ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর দিপিকা কুমারী অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী সাউথ কোরিয়াগী আর্চর অন সানগী মখূত্তা য়াম্না শোত্থনা সেট ০–৬ দা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংহৌখি।



ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর দিপিকা কুমারীনা ঙসি টৌকিও ওলিম্পিক্স টেষ্ট ইভেন্ট অসিগী ইন্দিভিজুয়েলদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অসিনা কুমজা ২০১৮ গী জুন দা থাদা কোলকটাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপকী ইন্দিভিজুয়েলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা অসিগী মতুং দা অহানবা ওইরি।

মশাগী চহী ২২ শুরবী ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর দিপিকা কুমারীনা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্না ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা অনৌবা টেক্নিক কয়া উৎতুনা মেটচ অদু মায় পাক্লবা হোৎনখি। অদুবু মহাক ফাইনেল মেটচ অদুদা মায়থিবা নংহৌদুনা সিলভর মেডল ফংহৌবনি। ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদগী ফংলকপা এক্সপরিয়েন্সনা তুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা অচৌবা টুনামেন্টশিংদা চাওনা কান্নরগনি হায়না দিপিকা কুমারীনা মখা তাখি।

দিপিকা কুমারীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না কুমজা ২০২০ টৌকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাইদ ওইনবগীদমক চহী অসিগী নবেম্বর ২১ দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা কন্না হোৎনবগী মথৌ তারি হায়খি।

দিপিকা কুমারী মিক্স পেয়র ইভেন্টতা ফজবা ঙমখ্রবসু মেডল ফংবা ঙমদনা লৈহৌখি। ইন্দিয়ান আর্মিদা থবক তৌরিবা তরুনদিপ রাই অমদি প্রভিন জাদবসু মখোয়–মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

## কম্মনৱেল্থ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ঃ ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপীগী টিমশিং মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*কট্টক, জুলাই ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী ষ্টেট উরিষাগী সিটি কট্টকনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা কম্মনৱেল্থ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিমশিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

কম্মনৱেল্থ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী টিমগী প্রিলিমিনারি ষ্টেজগী অহানবা রভরদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

শ্রী লঙ্কাগা শান্নখিবা রভর অসিদা ইন্দিয়াগী মনিকা বত্রনা শ্রী লঙ্কাগী বিমান্দি বান্দারাবু ১১–৫, ১১–৪, ১১–৫ দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী অর্চনা কমাথনা শ্রী লঙ্কাগী ইসারা মাদুরাগিবু ১১–৫, ১১–৫, ১২–১০ দা থোইখি। অদুগা ইন্দিয়াগী এহিসা মুখরজিনা শ্রী লঙ্কাগী চামাথসারা ফর্নান্দোবু ১১–৩, ১১–৩, ৮–১১, ১১–৪ দা থোইরম্বনি।

অনীশুবা রভরদা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি। অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী অর্চনা কমাথনা সাউথ অফ্রিকাগী দানিসা পটেলবু ১১–৬, ১১–২, ১১–২ দা থোইখি। অনশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী মাধুরিকা পাটকরনা সাউথ অফ্রিকাগী পালেসা সোলিবেবু ১১–২, ১১–৫, ১১–৩ দা থোইরম্লগা অহুমশুবা মেটচসু ইন্দিয়াগী সুতিরথা মুখরজিনা সাউথ অফ্রিকাগী মিমিন মুক্রেবু ১১–১, ১১–৪, ১১–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়ানা অহানবা রভরদা স্কোটলেন্দবু ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। ইন্দিয়াগী জি সাথিয়াননা স্কোটলেন্দগী নিএল কেমেরোনবু ১১–৪, ১১–৭, ১১–৮ দা থোইরমখি। অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী সরাথ কমালনা স্কোটলেন্দগী কোলিন দাগ্লেসপু ১১–২, ১১–৬, ১১–৯ দা থোইরম্লগা অহুমশুবা মেটচতা হরমিত দেসাইনা স্কোটলেন্দগী দিলান কুরিবু ১১–২, ১১–৬, ১১–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী কাঙলূপ অসিগী অনীশুবা রভরদা ইন্দিয়াগী টিম্না সিঙ্গাপোরবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমদুনা কট্টক্তা চথরিবা কম্মনৱেল্থ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## In the Court of Sub-Deputy Collector Moirang

*Ref. :- Mut. Cass No. 703/SDC/M dated 15/7/2019*

Koijam Iboyaima Singh S/o Late K. Tombi Singh of Thangmeiband Meisnam Leikai (D.M.C. Gate)

***-Verses-***

Late Koijam Ibotombi Singh S/o Late K. Akhiljit Singh of Thangmeiband College Gate.

### NOTICE

*Moirang, the 15th July, 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯১–ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ১২৮৪ অনৌবা সিঃ এসঃ দাগকী নং ১৩৩৭ এরিয়া ০.৭৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃঃ ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং মনুং দরখাষ্টকারী অসিনা মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈবা মীওইশিংনা পাও চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপতি তৌরবা য়াগনি। অকক্লবা মতম অসিগী মনুংদা অপতি তৌরদ্রবদি মতুং লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা কেস চত্থগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Moirang

**SL/5111/18**

## ইন্দিয়াগী রামকুমার ন্যুপোর্ট ওপনগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, পেস দবলসকী ক্বার্টর য়ৌখ্রে

*ন্যুপোর্ট, জুলাই ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোই রামকুমার রামানাথন য়ু এসকী সিটি ন্যুপোর্টতা চথরিবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেসসু ন্যু জিলেন্দগী মার্কস দেনিয়েলগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

য়ু এস দোল্লর ৬২৫,২৪৫ গী শেলগী মনা লৈবা ন্যু পোর্টতা চথরিবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সিঙ্গলস শান্নরোই রামকুমার রামানাথননা য়ুক্রেনগী সর্গে ষ্টাখোভস্কিবু ৫–৭, ৭–৬(৮–৬), ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ন্যু পোর্টকী এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই লিয়েন্দর পেসরনা ন্যু জিলেন্দগী মার্কস দেনিয়েলগা পেয়র ওইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্নরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র মেক্স পরসেল অমদি ল্যুক সাভেলিবু ২–৬, ৬–২, ১০–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্বিটজরলেন্দগী সিটি লোজেনদা চথরিবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্ট লোজেন ওপনদা অহুমশুবা সিদেদ ফ্রান্সকী এনেট কোর্নেটি মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

অহুমশুবা সিদেদ ফ্রান্সকী এনেট কোর্টেননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী জেপাওলিনিবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–১, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়া অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী বর্নদা পেরাগী মখূত্তা ২–৬, ৪–৬ দা মায়থিহৌখি।

**ক্রোসৱার্দ ২২২ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | A | S | T | E | | A | B | L | E | | P | A | P | A |
| A | S | H | E | S | | G | A | I | N | | E | R | A | S |
| R | E | A | M | S | | U | S | E | R | | R | E | S | T |
| T | A | R | P | | | A | S | S | O | C | I | A | T | E |
| | | P | T | A | S | | | | L | O | O | S | E | R |
| E | V | E | | S | T | A | R | T | L | E | D | | | |
| P | I | N | | P | A | R | E | R | | D | I | N | G | O |
| I | S | E | E | | T | I | N | E | S | | C | O | I | N |
| C | A | R | A | T | | S | T | A | L | E | | I | N | C |
| | | | S | E | M | E | S | T | E | R | | S | S | E |
| A | L | P | I | N | E | | | | W | E | R | E | | |
| R | O | U | N | D | T | R | I | P | | | A | L | T | O |
| O | G | L | E | | R | I | D | E | | S | T | E | I | N |
| M | I | S | S | | I | C | E | R | | A | I | S | L | E |
| A | C | E | S | | C | H | A | T | | N | O | S | E | S |

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETERINARY & A.H. SERVICES**
-------------

### ওক লোইবিরিবা ফার্মরশিংদা খঙহঞ্জবা

### "ওকশিংদা নাবা লায়না পি আর আর এস"

পি আর আর এস (পোঁসাইন রিপ্রটক্টিব এন্দ রেস্পিরেটোরি সিন্দ্রোম) কৌবা লায়না অসি ওক্তা নাবা স্বর হোনবা অমদি মচা পোকপগা মরী লৈনবা য়াম্না শাথিবা লায়না মখল অমনি।



- ⇨ লায়না অসি আরতিরি ভাইরস হায়না কৌবা আর এন এ ভাইরস মখা অমনা থোকহনবনি।
- ⇨ মসি য়াম্না লৌনগনবা ওক্কী মখল খুদিং অমসুং মশাগী চহী মতাং থিদনা নাগনবা লায়না মখল অমনি।
- ⇨ লায়না অসিগী মহিক অসি চেল্লবা অনাবা অমদগী চানবা মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং, থকপা চাবা মতমদা য়াওখিবদগী অয়াম্বা মতমদা লায়না অসি শন্দোকই অমসুং অনাবগা নক্লনা লৈবশিংনা শ্বর হোনবদা মহিক অসি হোনজিনখ্রগসু লায়না অসিনা নাহল্লি।
- ⇨ লায়না অসিনা শিবগী চাং অসি চাদা ১০০ ফাওবা য়ৌই।
- ⇨ মরুওইবা লায়ওংশিংদি লাইহৌ কন্না হৌবা, চানিং থক্লিংদবা, মীরোনবী মপীশিংদা পুক্কুংদা মচা শিবা, মচা লায়য়ৈ চৎপা, থা শুদনা পোকপা, মচা ওইবা ঙমদবা অমসুং শ্বর হোনবা ৱাবা অসিনচিংবা।
- ⇨ পোষ্ট মোর্টেম অমদি লেবোরেটরিদা ঈ চাংয়েং তৌথোক্কুনা চপ চানা লায়না অসিনা নারে হায়বা খঙদোকপা য়াই।

লায়না অসিগী চপ চাবা লায়েং অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা তিকা লৈতে। নাবা হৌরকপদা ঙাইরিবা ওকশিংবু এন্টিভাইওতিক অমদি সপপোর্তিব ড্রগ পীদুনা লায়েংবা য়াই। মরম অদুনা ওক লোইবিরিবশিংনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পান্থৈদি ওক্কোন লুনা লাননা থম্বা, মী চঙথোক–চঙশিন অথিংবা লৈবা, অশিবা ওকশিং মফম চানা ফুমজিনবা অসিনচিংবনি।

*খঙহঞ্জরিবা ঃ*
ডাইরেক্টর,
দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি,
মণিপুর

*SL/B(V)/17-21July 19*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 1471/SDC/IW(C) dt.16/07/2019

Thiyam Tuleshori Devi W/o Thiyam Khomba Singh of Sagolband Sayang Khwai Ningthou Leirak

Petitioner

-Vs-

(L) Thiyam Khamba Singh S/o (L) Heramot Singh of Khwai Ningthou Leirak

O.P.Party

### NOTICE

Imphal, the 17 / 7 / 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Thiyam Khamba Singh পীং (L) Heramot Singh সাং Khwai Ningthou Leirak গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband গী অনৌবা পাট্টা নম্বর 1075/4136 অরিবা পাট্টা নং 2144 দাগ নং 10023/10271 অমসুং এরিয়ানা .0061 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

*SL/5112/18*